ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জুলাই ০৬, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১০১শুবা মশীং

সোসল মীদিয়া

অফবা লম্বীদা শীজিন্নবা য়াচল লাকহৌগদবনি

সোসল মীদিয়া হায়বসিগী মতাংদা অমুক হন্না শন্দোক্লা পল্লুদ্রবসু য়ারনি খল্লি। হৌজিক্কী মীরোলনা মসিবু খঙদবা লৈত্রে। সোসল মীদিয়াগী তোঙান-তোঙানবা য়ামখ্রবা প্লেটফোর্মশিং লোইনা খঙনরে। চহী নৌরিবা, পিকখ্রবা অঙাংশিং ফাওবনা মীদিয়ম অসিদা য়াওরিবা ফেসবুক, ৱাটসএপ, ত্বিটরনচিংবশিং শিৎ নান্না খঙলে। য়াম্না ফৈ, হোৎনবা লেপ্তুবা অমসুং মীওইবা হায়বা কাঙলূপসিনা হেন্না নুংঙাইনা হিংবদা চঙগনি খনবা হেক মথৌ তারকপা পোৎলম অমসুং পান্বেশিং থিজিন্দুনা পুথোরকপদা য়াওরকপনি। চুম্নগী মোবাইল ফোন হেন্দসেটতগী হেন্দোরক্তুনা এন্দ্রোইদ মোবাইল হেন্দ সেটশিং পুথোরক্লিবনি। মসিদা সোসল মীদিয়াগী য়ূম্ফম থোনগৎলক্তুনা মখল কয়াগী এপ্লিকেসনশিং অমুক হাপচিল্লক্তুনা সোসল মীদিয়াবু মপূং-মরৈ ফাহল্লকপনি। মালেমগী মফম পূম্নমক্তা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা অমগা অমগা নৎত্রগা অকক্নবা গ্রুপ, কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা ঈ-পাউ ফাওদোক-ফাওজিন তৌনবগী পান্বে ওইরকপনি। ঈ-পাউশিংগী মথক্তা মীওইবশিংগী মরক্তগী মখোয়গী অনীংবা-অপাম্বশিং ফোঙদোক্নবা, হোদোক্নবগী খ্বাইদগী লায়বা পান্বে অমসু ওইরক্লিবনি। ঙসিগী সোসল মীদিয়ানা লৌরক্লিবা থৌদাং, মসিগী পাক চাওরবা মপাঙ্গলশিং অসি য়েংলুরবদি তশেংনমক সোসল মীদিয়াসি ইনফোর্মেল এজেন্সি ওফ লার্নিংগী থবক্তসু তৌবা ঙম্বা মীদিয়ম অমনি হায়দুনা লৌবদা ফাওবা চুল্লকপগী ফীভমদা লাক্লে। অদুবু অদুক ফখ্রবা অমদি কান্নখ্রবা মীদিয়াগী শরুক অমা ওইরিবা মীদিয়ম অসিবু লান্না শীজিন্নরকপগী থৌওংদি অফবা নত্তে। হায়না হায়না পিকখ্রবা, মীশিংসু য়ামজদ্রিবা মণিপুরদসু সোসল মীদিয়াবু অরানবা লম্বীদা শীজিন্নবগী থৌদোকশিং থোরক্লে। চুম্না থোকপদা নত্তনা মসিগুম্বা থোরকহনফম থোক্তবা থৌদোকশিংগী মশীংসু য়ামশিল্লক্লে। মসিগী মরমশিংগী মনুংদা হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্নদুনা মসিবু লাকশিন্নবা হোৎনরকপদা থল্লকলিবা অথিংবশিং অসিনা মরম ওইদুনা মশাগী নোংমগী শিনফম থাদোক্তুনা য়ূম-য়ূমদা লৈনরকপা মীওইশিংগী মশীং য়ামখৎলকপগী মনুংদগীসু সোসল মীদিয়াবু লান্না শীজিন্নবা হেঙ্গৎহল্লকই। মখোয়গী থৌওংশিংদু ইন্টেন্সন নৎত্রগা দেলিবরেসন অমগা লোয়ননা চথ্নরকপা ওইদ্রবসু মখোয়না পোষ্ট/অপলোদ তৌরকপশিংদুনা অকক্নবা মীওই অমা অনীখক্তদা নত্তনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা ফাওবা অকায়বা পীরকই। মান্নদবা খেন্নবা ফুরুপ ময়াম্না পূন্না হিংমিন্নরক্লিবা মণিপুরী খুন্নাইগী মীয়ামদা থোইদোক্লা নাতৈ চাদবা ফীভমশিং মায়োক্নহল্লকই। মায়কৈ শোমদা মখা তানা চঙশিল্লক্লগদি অফবা ওইরক্লোই। মরমশিং অসিনা মশ্বাইদা গভর্ণমেন্টনা সোসল মীদিয়া য়ুজরশিংবু চেকশিন্না য়াচল লাকহৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নীংই।

মীদিয়ম অসিদা ওফেন্সিভ, ওফসিন অমদি সিদিসিয়স ওইবা মেটরিএলশিং অপলোদ তৌনরক্লগদি মী মশেল, কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা নুংঙাইনহন্দবা, নুংশিনহন্দবা থোকহল্লকই। মসিনা মরম ওইদুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোরকহন্নবগী মচাকশিং ওইহল্লকই। অদুবু হায়রিবা থৌওংশিং অসি হৌজিক মথংগী মীখল পাঙথোক্কদবা মতম খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লকপগী ফীভম অসিদগীদি অমুক্কা হেন্না হেঙ্গৎনরক্কদৌরিবনি। হৌজিকমক্তসু মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টিশিং মমিং পল্লগা মখোয়না তৌখিবা থবক থৌরমশিং ফৈ-ফত্তে হায়দুনা কোৎথোক্নরক্তুনা চিন্দা-পৌদানরকপগী মায়োক্তা পুলিসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসশিং মরী লৈনবা কোর্টশিংদা পেন্দিংদা লৈরি। পোলিটিকেল পার্টিশিংগী খক্তা নত্তনা নুপী অঙাংশিংগা মরী লৈনবা ৱাফম, ওফসিন পিকচর অমদি ভিদিও ক্লিপ্পিংনচিংবা ফাওবা পোষ্ট/অপলোদ তৌনরক্তুনা সোসল মীদিয়াবু লান্না শীজিন্নরকপগী থৌদোকশিংসু থোক্লি। মরম অসিনা তোঙানবা সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসন ফাওবা হাংদোক্তুনা মথৌ পাঙথোকহল্লক্নবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সোসল মীদিয়াদা ষ্ট্রিক্ট ভিজিল তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। চেকশিন্না মোনিটর তৌফম থোক্লি। লৈবাকসিদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৯ (১) (এ) গী মখাদা মীয়ামদা 'ফ্রীদম ওফ স্পীচ' কী রাইটসশিং পীরে হায়রগসু রাইটসশিং অসিগী মনুং চন্ননি হায়দুনা তৌথোরকপা থবকশিংনা লৈবাক্কী সিক্যুরিটি, পব্লিক ওর্দর কায়হল্লক্কদবা থৌওংশিং ওইরক্লবা অমসুং লন্নাই মীওই অমগী নৎত্রগা কাঙলূপ অমগী দিসেন্সি, দিফেমেসন নৎত্রগসু ইন্সাইটমেন্ট থোকহল্লক্কদবা ওইরবদি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ১৯ (২) না পীরিবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না অথিংবা পীহৌবা য়াই। অদুগুম্বা ওফেন্সশিং কম্মিট তৌরকপা ওফেন্দরশিংগী মথক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী) অমসুং ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (আই টি) এক্টকী তোঙান-তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা ৱায়েল চথ্নরগা ফংফম থোকপা চৈরাকশিং ফংহনবা য়াই হায়বসি খঙহনহৌগদবনি নৎত্রবদি লৈবাকসি মপু পান্দবা, তৌনীং-তৌনীংবা পংতৌদা তৌবা য়াবগী ফীভমদা ওইহল্লকপা চুল্লোই। থিজিন-হূমজিন্দুনা পুথোক্নরক্লিবা আইদিয়া অমদি অনৌবা পোৎলমশিং অমসুং পান্বেশিং মীওইবা খুন্নাইগীদমক্তনি। অফবা অচুম্বা লম্বীদা শীজিন্নরগা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগদৌরিবনি। অদুবু অরানবা মওংদা মেন্যুফেকচরিং দ্রগশিংবু ময়াই কাবা (ইন্টোক্সিকেন্ট) শিং ওইনা শীজিন্নরগা ফত্তবা রিজল্ট ফংবা অদুম্মাইনা লান্না শীজিন্নরক্লগদি ওন্ন-তৈনবা ইম্পেক্ট ফংই হায়বসিসু মতাং চারিঙৈদা খঙহলহৌগদবনি। গভর্ণমেন্টনা হৌজিক্কী সোসল মীদিয়াবু য়াচল লাক্নবা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং খরগা হেন্না কন্না পায়খৎহন্নীংই। মসিগী মথৌসু তারি হায়নীংই।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২১

১) *'ৱাখল মচু-মচু, শক্তম মখল-মখল'* হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?
২) *'পুন্সিগী মরুদ্যান'* হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?
৩) *'খোঙজি মখোল'* হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?
৪) *'সুরজকা সাতৱাঁ ঘোড়া'* হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা করি মমিং হায়না কনানা হন্দোকপগে?
৫) *''হৈরেম চা নুরা অতেংবী, লাইজ ঈদা শিবিয়ু মপান্না কোরৌ নুমিৎ মাপন্নি শুনা থিববু থিখঙদরবদা কোরৌ নুমিৎ তরানি শুবদা খোয়নৌ মতা ঙাইরোইনাইনা তাকলৈএ; অদু নোংগীবু হৈরেম লৈমতাকও তৌনা কৌএ।''* ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী
অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল
hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি।
পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর
ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা
মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা
মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

জিরিবামদগী পেসেঞ্জর ত্রেন চেল্লকপদা খল্লকপা ৱাখল

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৬১

জিতেন নামৈরাকপম

ঙসিদগী চহী ১৬/১৭ রোমগী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অমা নীংশিংলকই। মতম অদু হকচাং অসি খিং-খিং লাউনা কোয়চৎ চৎ, শেন্দাল লম্বীগা মরী লৈননা কোয়চেন চেল্লিঙৈগী মতমনি। ইম্ফালদগী দিমাপুর, গুৱাহাটি, অরুনাচল প্রদেশকী কোনুং ইটানগর, অসামগীনা টেজপুর, নোর্থ লখিম্পুর, শোমদনা অমুক মেঘালয়াগী শিল্লোং ফাওরক্লগা জিরিবামগসি হঙ্গৎ হন্দা চৎতুনা লৈরিঙৈগী মতমনি। নকশিল্লক্লগনা ইম্ফালদগী অৱাং পাংনা হাইগৎখ্রগা সেনাপতি বজারদগী কিলোমিটর ৫ লানখৎতুনা কারোংগী মরুপ অমগী য়ূমদগা অহিং য়ারেকপা,ইম্ফালদা অমুক হল্লক অসুম্না কোয়চৎ চৎলিঙৈগী মতমনি। চৎলিবসিসু ঐ খক্তা নত্তে। ঐগী নুংশিজরবা মরুপ ৩/৪গা জীপসিগী খোঙচৎতা কার তোংদুনা চৎপনি। অসুম্না অসুম চথ্নরকপনা কারোং খুলগী মীওইশিংগা নকশিন্নরকখি। কয়া য়াম্না নকশিন্নরকপগে হায়বদা মখোয়গী খৃষ্টমাস কুম্মৈদা ঐখোয়বু চেবাউ পীরক্তুনা শোয়দনা য়াওরনবা মদুসু নুমিৎ ৫নি লৈরগদবনি, কুম্মৈ মপূং ফানা য়াওরগদবনি অসিনি। ঐখোয়না খরগা চৎপা-কোয়বা পামজবগা চৎলুই, য়াওরুই। কুম্মৈদুগী শোয়ফদ্রবা মচল অমা ওইনা অহিং ফাওবা শীংজাও থাদুনা মখল মখলগী প্রোগ্রাম পাঙথোকপা, জগোয় শাবা, ঈশৈ শকপা, মাগী মাগী লৈজবা টেলেন্ট উৎথোক্নবা, চানীংবতা চাবা, থক্লিংবতা থকপা, ওকশা, ষণশা, য়েন, ঙানু থোংবা, ঙা মপুম-মপুম ফূৎলগা চাবা নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈনি।

মখোয়গী খৃষ্টমাস মনুং অসিদা লায়রবসু ইনাকখুনবসু অমত্তা ওইনা পূনশিনমিন্নদুনা অৱাং-অনেম, অমনা হেনবা হেন্দবগী থাক থমদনা হরাউমিন্নবা, নুংঙাইমিন্নবা, তাইবঙ শেম্বা মপুগী মীখ্রে শোন্দুনা য়াইফ থৌজাল থৌনিজবনা মপূং ওইবা থৌরম ওইখি। মাইক পান্দুনা ওর্গনাইজর কাঙবুনা নুমিৎ নুমিত্তুগী পাঙথোক্কদবা প্রোগ্রামশিং মথং মথং লাউথোক্কনি। খুলগী মীয়াম্নসু মাগী মাগী লৈজ-লৈজবা ফি-রোল শেৎতুনা নিংথিনা দেকোরেসন তৌরবা থৌরম পাঙথোকফম তান্না মতম চানা লাক্কনি। মখোয়গী প্রোগ্রামগী মনুং চন্না খ্বাইদগী নুংশিন্নবগী শক্তম উৎপদি নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা মানা মানা থোং থাল্লকপা মখল মখলগী এঞ্জাংশিং ছমদা হাপ্পুনা পুরক্লগা য়োল্লকপা লায়োমশিংদু হাংদোক্তুনা ময়াম ইকোয় কোয়শিল্লগা পূন্না চামিন থকমিন্নবা অদুনা ওইখি। অয়ূক্কী মতমদনা চর্চ কাদুনা প্রেয়র তৌমিন্নবগী থৌরম অদুসু শরুক য়ারুসি হায়রকপদগী ঐখোয়সু চর্চ কাদুনা প্রেয়র তৌবফাও য়াওরকখি।

অসুম্না মথং মথং প্রোগ্রাম চথ্নরকপনা নোংমা নুংথিল অমদি কারোং থোংখোংগী পাক চাওখ্রবা লম্পাক্তুদা খুলগী মৌ, লৈশা অনীগী টিম খায়দোক্তুনা ফুটবোল শান্নগনি লাউথোরক্লে। মাইক্তা লাউথোরকপদুদা ঐগী মিংসু য়াওরক্লে। "ঙসিগী মৌ-লৈশাগী ফুটবোল কাওনবদা ইম্ফালদগী লাকপা ওয়া জিতেননা রেফরি ওইগনি। ওয়াসু মাইকতা এনাউন্স তৌজরি, কৌথোকচরি।" ঐদি ঙকপনা খম থেংলে। কনানা মিং পীখৎলুবনো খনখি। কারোং থোংখোংগী অপাকপা লম্পাক হায়রিবসি ইম্ফাল টু দিমাপুর, গুৱাহাটি চৎপা মতমদা অৱাং কারোংগী বরাক তুরেলগী মথক্তা শাবা থোং অদু লানবা হৌরকপা মতমদা য়েৎলোমদা ঙক লৈথোক্তুনা অমুক য়েংবীয়ু। মদুদা উগনি শংত্রিক শংবা অপাকপা লম্পাক অমা। হুইরোই-হুইরোই তারকপা চীংখোংগী মরক্তা লৈবা ফজখ্রবা লম্পাকনি। মদুদনি কথীখো খুলগী মৌ-লৈশাশিংনা নুংঙাইরবা ফুটবোল মেটচ অমা শান্নগদৌরিবসি। ঐবু রেফরি ওইবীয়ু হায়রিবসি কনানা মিং হায়রুবনো হংলুই - আসি অসো, শিন্নেরুই, সোলোমোন, ভৈখো, ইচে শানি করিগীনো ঐগী মিং লাউথোরক্লিবসি। মখোয় লোইনা নোক্লগা মখোয়না হায়বনি, ওয়াদি ফুটবোল শান্নে, মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা নেসনল প্লেয়র ওইনা শান্নখি হায়বদুসু খঙই হায়রকখি। মখোয়না হায়রিবসি চুম্বদি চুম্মী। কুমজা ১৯৮৮তা বিহারগী ঘানবাদ হৌজিক্লা ঝরখণ্ড ষ্টেটকী মনুং চনখ্রবা কোয়লাগী লমদমদুদা ঐখোয়গী কোচ সী ঐচ শান্তিকুমার, মেনেজর ওইনা থাংমৈবন্দগী ওজা কুমারনা মির ইকবাল সব-জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা ঐখোয়বু পুবিখি। সেমীফাইনেলদা বেঙ্গলগী মখূৎতা ১-০দা ঐখোয়গী টিম লৈহৌখি। মতুং তারকপদনা কুমজা ১৯৮৯দা গোৱাগী মারগাওদা অমুক নেসনল চেম্পিয়নশিপ শান্নবা চৎখি। অসুম্না ঐহাক ফুটবোল শান্নরকই খঙবদগী খৃষ্টমাস মনুংগী মৌ-লৈশাগী রেফরি ওইদবা য়াদে সিনি।

মতম য়ৌরকপদা ঐসু ঐগী ইথৌ পাঙথোক্লবা অরৈবা হাফপেন, ফুরিৎ, খোঙউপ তোংশিন্দুনা থোরকখি। গ্রাউন্দ অদুদি মীনা চোন্না তিন্দুনা লৈরমখি। ঐসু গ্রাউন্দ ময়ায়দা থোক্তুনা হুইসল শাংনা খোংদুনা টিম অনীমক কৌশিল্লে। লুরিবদি মখোয় নুপীশিং অদু তোঙানবা মচুগী য়ুনিফোর্ম অমত্তা শেৎপা নত্তে। মচু মচুগী ফুরিৎ, হাফপেন শেৎতুনা কনানা করম্বা টিমগীনো মথোং মরম অমত্তা খঙদবীনি। কেপ্তেন অনী কৌশিল্লি। সাইদ খনবগী কিক ওফ তৌবগী ৱারী শানরে। মখোয় নুপীশিংসু অদুম্মক চঙশিল্লকই। ঙাইহাক ৱারী শানরবা মতুং মেটচ অদু হৌরে। য়ুবী লাকপী শান্নবদৌনা শান্নবা মেচ অদু খরনা খুকউনা বোল কাওবা য়াও, খুরাইনা কাওবা য়াও, খুনীংনা কাওবা য়াও তৌবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা লৈশাবী কাঙবুনা থোইদুনা লোইশিনখি।

ফুটবোল মেটচ লোইশিল্লকপদা অহিংগী তূমশিৎ ফাদবগী ৱাবগা রেফরি ওইরুবগী অৱাবগা পুন্দুনা লম্পাক্তুদগী থোরকপদা ফাউন্দেসন ষ্টোনগুম্বা অমা হায়বদি সিমেন্ট নপ্লম্বা চেক্কী শরুক থুগায়বগী মওং নাপী মরক্তা লৈরম্বা উবদা হংলুবদগী খঙলকখি শ্রী নিপামচানা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মণিপুরগী ইম্ফাল তম্না রেল য়ৌরক্নবগীদমক নাগালেন্দ ফাওদুনা লাক্কদবা ত্রেন ষ্টেসন শাননবা যাত্রা হুনখিবা মফমদুদা থুগাইরম্বা মফমদুমক ওইরমখি। মদুদা খনখি ওহ! মসিননি জিরিবামদা রেলৱে ষ্টেসন ওন্থোকখ্রিবসি। অমরোমদা অৱাং থংবগী চীংমী কয়ানা জিরিবামদগী ত্রেন লাক্লগনি, বরাক থোং, মক্রু থোং, ইরং থোং শাগনি কা হায়বসি য়াম্না শাউনীংবনি। জিরি লম্বী থৎতুনা মণিপুরগী লাইফ লাইন লম্বীসি ইম্ফাল দিমাপুর রোদখক্তদা ওইহন্নীংবনি। শেনখায় থুমখায় য়ানবা। মদুগী খুদম হায়ববু এন এস সী এন (আই-এম) গী কাদর অমা উশা মথক্তা ফম্লগা মশা থাবগুম বরাক থোংগী য়োৎথক্তা ফম্লগা কক্লুবদগী য়োৎ তৎলকপদা মশাসু য়াওরক্তুনা তুরেলদা তাশিন্দুনা মপুন্সি লোইখিবগী ৱারী ঙসিদগী চহী ১৪/১৫গী মমাঙগী থৌদোকু নীংশিংবীরমগনি। নোংমদা দিমাপুর লম্বীদা গাড়ী ৩০০/৪০০গী দ্রাইভর, হেন্দিমেন্দা অৱাবা পীখিবা খরদি হম্থরগনি খল্লি জিরিগী ত্রেন য়ৌশিল্লকপদা।

নহান জুলাই ৩, ২০২১দা পুৱারী ওইনা জিরিবাম ত্রেন ষ্টেসন্দগী তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ভঙ্গাইচুং ষ্টেসন ফাওবা রাজধানি এক্সপ্রেসতা ওফিসল কয়া য়াওদুনা লমথুংলবগী পাউ তাখ্রে। কুমজা ১৮৫৩দা বৃটিশকী মতমদা বোম্বে টু থানেদা ইহান হান্না রেল চেনবা হৌখি। অদুবু চহী ১৬৮গী মতুংদা মণিপুরদা পেসেঞ্জর ত্রেন য়ৌরক্লে। তেক্লি-তেক্লি অসুম রেলনা য়াঙনা চেনশিল্লক্তুনা নোনে লাল্লক্তুনা টুপুল য়ৌরক্লগনি। য়ুরেম্বম য়ৌশিল্লক্তুনা মখল মখলগী অনৌবা কয়া থেংনরগনি। বিহারদা আলু কিলোদা লুপা ৩ পীবা অদু ইম্ফালদা লুপা ৩০/৪০ য়ৌররোই। ত্রান্সপোর্টরশিংদগী শেনখাই থুমখায় হম্থরগনি। তীলহৌ কেজি দসু লুপা ৪০/৫০ পীররোই। পোৎ খুদিংমক্কী মমল হম্থরগনি । কিজরিবদি মীয়ানচা কয়া অমা থোমজিল্লক্কদ্রা অসিনি। জিরিদা ঐহাক তোয়না চৎলম্মী। মতমদুগী জিরিবাম রেলৱে থোংদুসু অয়ূক্কী ৱার্কিং ওইনা লান্দুনা শান্নরম্মী। রেল গাড়ী ইম্ফাল য়ৌরকপদা অফবতা ওইরসনু। জিরিবামগী রেলৱে ষ্টেসন হেক য়ৌরুবদা নীংশিংলকই ঐদি কারোংগী ফাউন্দেসন ষ্টোন। ঐনা রেফরি ওইখিবা মফম অদু! ●

ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ২৫

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

খুমনগী ষণচাপুংদা সনা য়োইরেলচান য়াওনা অঙাং খরা শান্নদুনা লৈরিঙৈদা শামু অঙৌবনা চঙলকপদু উবদা সনা য়োইরেলচান নত্তনা অঙাং অতৈদি শমু কিবদগী চেনখরম্মী। শামু অঙৌবনা চঙশিল্লক্লগা সনা য়োইরেলচানবু মনাতোন্না কোৎখৎলগা মনমগন্দা থাঙ্গৎলগা থুনা য়াঙনা অৱা মায়কৈ পাংনা পুদুনা চৎখিবসি সনা য়োইরেলচানগা পূন্না শান্নমিন্নরম্বা অঙাংশিংদুনা য়াঙ্গৌইতাবী অমদি য়াঙ্গৌইতাবদা শামুনা ফাদুনা পুখিবদু তম্বদগী মখোয় অনীনা কপ কপ্তুনা শামুগী খোঙ্গুল য়েং য়েংদুনা লেপ্তুনা লাল্লম্মী। অৱাদনা শামুনা পুরকখিবা অঙাং ওইরিবা সনা য়োইরেলচানবু অৱাগী নিংথৌ ফম্বালথক্তা থাংগৎলরে। মতমসি খুমন লৈবাক্তা 'লুখোংনা' হায়না মিং থোনবা নুপা অমনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লিঙৈগী ৱারীনি। অৱা লৈবাক্তদি হরাও মথোই কানরিঙৈ চৈরক্তা নহালমখৈ অৱাগী নিংথৌশিং চাথোকখিবা চাওবদা নত্তনা লাইওইরবা লাইরেল নিংথৌদুনা অঙাং ওইরিবা সনা য়োইরেলচানবু চারগে হায়না ময়া লাউনা কাথোক্লগা চঙশিল্লকপদা সনা য়োইরেলচান্না মাগী মখূৎতা শুকথা থাদোক্তনা পায়রিবা লাইগী মতিক ময়াই লৈরবা চৈশু মতেক্তুনা অফিং-অফাই ওইনা লংবদা লাইরেলদুদা পানবদগী লাইওইরবা লাইরেন নিংথৌদুগী মতিক ময়াই পূম্নমক চমখিদুনা লাইরেলদু শিখিরম্মী। মদুদগী অৱাগী মীচম মীয়াম্না অঙাং ওইরিবা সনা য়োইরেলচানবু মখোয়গী তশেং তশেংবা লাইনা থাবীরকপা নিংথৌনি খন্দুনা মন্দলেগী কোনুংদা মতিক মঙাল চাওনা পানখি।

শামু অঙৌনা চৎখিবগী খোঙ্গুল য়াঙ্গৌইতাবা-য়াঙ্গৌইতাবী অনীনা লিদুনা লাকপনা মমৈথংদা অৱাগী মন্দলেদা লৈবা কোনুংগী সনথোঙদা থুংলরবদা, শামুনা মচা ফাদুনা পুখিবগী ৱারী কোনুংগী ফম্নাইবশিংদা লিবদগী, মখোয় অনীবু নিংথৌগী মনাক্তা পুশিনবদা মমা মপা অনীবু অমুক হন্না উনজবা ফংজবদা য়াম্না হরাওখি। সনা য়োইরেলচান্না মপা য়াঙ্গৌইতাবদা অৱাগী নিংথৌ ওইবীনবা হায়জবদা য়াদবদগী সনা য়োইরেলচান্না অৱা লৈবাক্কী নিংথৌ অদুমক ওইখিরমই।

কেগে মোইরাংদনা মোইরাংগী নিংথৌ থাঙতেক শুনাইবনা সনা য়োইরেলচানগী মমা লীকসনুবু কৈশুমশঙদগী থাদোকপীরক্লবা মতুংদা মচা কায়নখিবগী মৈচাক্তগী চাগনি থক্কনি খঙখিদবদগী মশাদু ফীভম য়াম্না কায়না শরূদা উনশাতনা কুপ্পগা পাঙ্খক্লরম্মী। অসুম্না কপ্ল-কপ্লগা লাকপনা ঈশিং ঈমাই লান্থোকপা ঙমদবদগী ঈথাই তুরেলগী তোর্ব্বান্দা মচাবু কৌরদুনা কপ্তুনা লৈবদু অতিয়া কুরু শিদবনা য়েংবা ঙমদবদগী মচা ইবুংঙো পাখঙববু কৌরগা লীকসনুবু মতেং পাংলুনবা থৌশিল্লক্লম্মী। মপাবুংগী য়াথং ইন্দুনা পাখঙবনা লীকসনুগী মনাক্তা লাল্লগা পাখঙবা মশাগী লাংওন লোইখিবদগী মতেং পাংবা ঙমখিদবনি ৱারৌগনু হায়না পাখঙবনা লীকসনুদা হায়খি। মনাই ওইবী লীকসনুগী অৱাবা কোকপীনবগীদমক চাওরবা হিনাও অমগী শক্তম পাখঙবনা ওন্থোক্লগা হীনুংদা লীকসনুবু তোংহল্লগা অৱাগী কোনুং মন্দলে ফাওবা থিনবীরম্লগা মাঙখিরম্মী।

কোনুংগী সনথোঙদা চাদবদগী ফীভম কায়রবী, অঙাওবীগী মওং মাল্লবী লীকসনুনা মচানা পায়খিবা চৈশু মতেক অমদি মমিংনা সনা য়োইরেলচানচিংবা হায়দুনা মচাগী মরমদা অশেংবা ৱাফমশিং হায়বদগী কোনুংদা পুশিল্লবা মতুংদা অঙাং ওইরিঙৈদগী ৱাঙ্গৌলতাবীবু মমানি খঞ্জদুনা লাকপনা অশেংবা মমা লীকসনুবু মমানি হায়বসি সনা য়োইরেলচাননা ৱাখলনা লাকশিনবা ঙল্লমদে। অদুবু লীকসনুবু কোনুংদা নিংথিনা থৌগল তৌরগা থম্বীখি। মমা অনীমকপু সনা য়োইরেলচান্না লুনা চান্না খেন্নবা অমত্তা লৈতনা থম্বীখি।

সনা য়োইরেলচান্না মমা অনীগী মনুংদা করম্বনা অপোকপী মমানো হায়বা অশেংবা অমদি খঙনীংবদগী মমা অনীনসু য়াবিনবা অসুম্না হায়খি- ঐগীদি অনীমক মৈতৈগী ইমা ঙাক্তনি, ইমা অনীগী খোল্লাং ফিজং তরেৎ খনবদগী তারকপদু য়ারগা থকচগে।" মদুদা মমা অনীমক্লসু য়াবদগী অহানবদা, খুমনগী য়াঙ্গৌইতাবীনদি য়োকচবী মমা ওইবনা, হান্নদি হায়দোকহৌদবনা, খুমন পোকপা লাইগী থৌজাল নীজবদা থৌজালবীবদগী ফিজং তরেৎ ফাওনা শুমথরকপা খোল্লাংদু ফিজং তরেৎকী মখাদা ময়া কাখৎতুনা মমাগী খোল্লাং থক্লবা ঙাইরিবা সনা য়োইরেলচানগী ময়াদা মপূং ফানা, লেম পানা তারক্তবনা ফজনা থকপা ফংখিদে। অদুবু অকোনবগী মমা লীকসনুদগীদি মতম কুইনদগী কনানসু থকপীদ্রবা, য়াঙ্গংলবা মশাদুদগী খোল্লাংসি ইমা লৈমরেল শিদবীনা মরাং কায়না শুমথরকপদগী ফিজং তরেৎকী মখাদা সনা য়োইরেলচান্না থক্লবা ঙাইরিবদু খৌবুম থন্না, মবুক পেন্না থকচবা ফংখিবদগী লীকসনুবু সনা য়োইরেলচানগী অপোকপী মমানি হায়বা খঙবা ঙমজখি। অশেংবা মমা খঙলবা মতুংদা মতম শাংনা য়োক থাকপীদুনা ৱাজরক্লবী মমা য়াঙ্গৌইতাবীবুসু সনা য়োইরেলচান্না হেক পোকচবী মমামক্কি খঞ্জদুনা লুনা চান্না তৌবীদুনা কোনুংদা নুংঙাইনা থম্বীখি।

অহুমশুবদা, মৈতিংঙু উরাকোন্থৌবা (খৃ: ৫৬৮-৬৫৮) কংলৈগী ১০শুবা নিংথৌগী মচানুপা নাওথিংখোং/হোংনেম য়োয়খুঞ্জাওবনা শেল্লোই লংমাইচীংদা পানবা অচোং য়ুমলেম্বম ৱাঙ্খে লাম্থাবগী মচানুপী নোংবানলোন পিতংঙা লৌদুনা য়াওং ইন্দুনা লৈরম্বদু মপাবুং মৈতিংঙু উরাকোন্থৌবগী মনাই শোইচাবা নোংবান কাদেমগী অরানবা ৱাকৎতগী শেল্লোইগী ময়ূমদা য়াওং ইন্দুনা লৈরিবা হোংনেম য়োয়খুঞ্জাওবগী মথক্তা লমন খুম্নবা হোৎনরকপদা পিতংঙানা য়াম্না থৌনা ফনা অমদি হৈশিংনা মবুংঙোগী মথৱায় কনবগা লোয়ননা খুমন নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইবগী মফমদা থুংলুনবা তাল্লকপগী মতুংইন্না মফমদুদা চৎতুনা থুংলম্মী। চহী খরগী মতুংদা হোংনেম য়োয়খুঞ্জাওবনা খুমন নিংথৌগী মমোম কৈরুংহনবী লুহোংদুনা লৌরম্মী। মতাংসিদা মোইরাং নিংথৌ সনা লাকখ্বানা খুমন নিংথৌ পুন্সি য়ুমোইববু খুয়োল ৱাহোংবগী কুম্মৈ য়াওবীরনবা মী থাদুনা হায়রবদগী ৱাহোংবগী কুম্মৈ য়াওবা চৎপদা হোংনেম য়োয়খুঞ্জাওসু মতুং ইন্দুনা চৎলম্মী। মদুদা মোইরাং নিংথৌ সনা লাকখ্বানা হোংনেম য়োয়খুঞ্জাওবু পামজবদগী মমোম ইবেম্মা নমান চাওবীবু থাজগে হায়না খুমন নিংথৌ য়ুমোইবদা হায়জবদা খুমন নিংথৌনা য়াবদগী মোইরাং নিংথৌ মমোম ইবেম্মা নমান চাওবীবু হোংনেম য়োয়খুঞ্জাওবগী মফমদা থাজদুনা লুহোংলম্মী। ৱাহোং কুম্মৈ লোইরগা খুমন নিংথৌ মচা মরোইশিংগা লোয়ননা খুমনপুংদা হল্লক্লম্মী। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।